

# পাকিস্থানগী পুলিস চীফকী ওফিস মমাঙদা বোম পোকখায়বদা মীওই ১১ শিখ্রে



ক্বেটা, জুন ২৩:
পাকিস্থানগী খা নোংচুপ থংবা ক্বেটা সিটিদা ইরাই নুমিৎতা পুলিসকী ভেহিকল অমদা তার্গেট তৌদুনা বোম পোকখাইহনখিবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২০ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
পাকিস্থানগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা মিনরেল মরাং কাইনা ফংবা প্রোভিন্স অমা ওইরিবা বলোচিষ্টানগী কেপিটেল ক্বেটাদা লৈবা পুলিস চিফকী ওফিস মমাঙদা বোম পোকখাইবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। প্রোভিন্স অসি তোখাইনা তানিংবশিং অমসুং ইস্লামিক লালহৌবগা মরী লৈননা ইরাং কনবা মফম অমনি।
সিভিল হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিটেন্দেন্ট ফরীদ অহম্মদনা এ এফ পিদা বোম পোখাইবদুদা মীওই ১১ শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা অতৈ ২০ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশিংদু অয়ুক্তা মঙা ওইরম্বদগী হেনগৎলকখিবনি হায়খি।
শিখিবশিংদুদা পুলিসমেন মঙা য়াওখি, অতৈ অহুম্না ফিভম লুনা লৈরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি। পুলিস সর্জন দোক্টর অলি মর্দননা অশিবশিংগী মশিংদু কনফার্ম তৌখি।
পুলিসনা এতেক অদু মখোয়গী ভেহিকলদা তার্গেট তৌদুনা চথরকখিবনি তৌইগুম্বসুং করম্বা মওংগী এক্সপ্লোজন্নো হায়বদি খঙবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোকখি।
আই জি গী ওফিসকী মমাঙদা পুলিস পিক-অপ অমদা তার্গেট তৌদুনা এতেক অদু চথরকখি অমসুং মোটোরসাইকল অমসু পোকখাইবদুদা অকাই অতোই থোকখি হায়না পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। পাকিস্থাননা কুমজা ২০০৪ দগী বলোচিষ্টানদা ইস্লামিষ্ট অমসুং নেসনেলিষ্ট লালহৌবশিং থেংনরকখি অমসুং লান্মী অমসুং মিলিটেন্ট চা কয়া নাকল অনীগী লান্দা শিখ্রে।
ইরান অমসুং অফঘানিষ্টানগা লোন্নরগা লৈবা বলোচিষ্টান অসি পকিস্থানগী প্রোভিন্স মরিগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবনি, তৌইগুম্বসুং প্রোভিন্স অসিগী মীশিং মিলিয়ন তরেৎলোম্না মখোয় মতম শাংনা লমদম অসিগী গ্যেস অমসুং মিনরেল ৰেল্থকী স্যের নীংথিনা ফংদে হায়না কমপ্লেন তৌদুনা লাকখিবনি।

# কুমিগা লন্নাই ৱারী শানবদা রেকোর্দ তৌখিবা লৈতে : ত্রম্প





ৱাশিংটন, জুন ২৩: প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা শগোলশেল নুমিৎতা মহাক্লা হান্নগী এফ বি আই গী দিরেক্টর জেমস কুমিগা মহাক্কা লন্নাই ৱারী শানখিবদা রেকোর্দ তৌখিবা অমত্তা লৈতে অমসুং মঙোন্দা ৱারী শানবগী রেকোর্দিংসু অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।
হন্দক্তা ইলেক্ট্রোনিক সর্ভিলেন্স, ইন্টরসেপশিং, অরুন আহুইশিং ফোঙদোকখিবা অমসুং ইলিগল ওইবা মওংদা ইনর্ফোমেসন লিক ওইখিবনচিংবগী পাউ পুন্নমক্কা মরী লৈননা মঙোন্দা মীওই অনীনা ৱারী শানখিবগী তেপশিংগী ওইরো নত্রগা রেকোর্দিংশিংগী ওইরো আইদিয়া অমত্তা লৈতে হায়না ত্রম্পনা মহাক্কী খ্বাইদগী নৌবা ত্বীটশিংদা ফোঙদোকখি।
তৌইগুম্বসুং মহাক্লা অসিগুম্বা রেকোর্দ অমত্তা মহাক্লা লৌখিদে অমসুং মঙোন দসু লৈতে হায়খি।
মদুনা রেকোর্দিশিং অদু মহাক্কী নোলেজ য়াওদনা নত্রগা কনাগুম্বা অমনা তৌখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বসি চুম্বা য়াবগী ফিভম অমা লাকহল্লে হায়রি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা ত্রম্পকী এসোসিয়েটশিংনা রসিয়ন ওফিসলশিংগা লৈনবা মরীশিংগী মতাংদা পাঙথোকপা ইনভেষ্টিগেসন অমগী মকোক ওইখিবা কুমিবু মফম লৌথোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনিখক্কী মনুংমে থাদা হৌখিবা চীংনবা পোকহনবগী ফিভমদুমদি লোইশিনহল্লে হায়না লৌনরি। হৌজিক জানুৱারিগী দিন্নর অমদা কুমিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা ত্রম্পনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# হান্নগী সাউথ কোরিয়ান লিদরগী মমান্নবীদা চহী ৩ জেলদা থম্নবা চৈরাক পীখ্রে


সিওল, জুন ২৩: সাউথ কোরিয়াগী করপসনগী অচৌবা ৱাথোক্তা মরু ওইনা চেন্নবী নুপী চোই সুন সিলবু ঙসি শেল পীজবগী মরালদা চহী অহুম জেলদা থম্নবগী চৈরাক পীখ্রে। মসি নুপী রাসপুতিননী হায়নবা মীশক অদুগী মথক্তা থাঙ্গৎলিবা ক্রিমিনেল কেস কয়াগী মনুংদা তাখিবা অহানবা ৱায়েলনি।
চোই অমসুং মহাক্কা মতম শাংনা তীন্নরকখিবী হৌখিবা মার্চতা মফম লৌথোকখিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুন হয়ে চেন্নবা ৱাথোক অদুনা সাউথ কোরিয়াগী পোলিটিকেল অমসুং বিজনেস এলিটপু নীকহনখি। চোইবু প্রসিদেন্টগা মহাক্কা তীন্নবগী খুদোংচাবা লৌদুনা সিওলগী মমিং লৈরবা ইৱহা ৱুম্মিন'স য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসরশিংদা মচানুপীবু নমদুনা মিং চলহন্নবা হোৎনখি অমসুং ওজাশিংদা মচানুপীগী গ্রেদ ৱাংহন্নবনি হায়দুনা শেল পীজনবা হোৎনখি হায়না মরাল শিখি।
সিওল সেনত্রেল দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা শেল পীজবা অমসুং লোগী প্রোসেসতা অপনবা পীবগী মরালশিংদা চোইবু চহী অহুম জেলদা থম্নবা ওর্দর তৌখি। প্রোসিক্যুসনগী মাইকৈদগীদি চোইবু চহী তরেৎ জেলদা থম্নবা দিমান্দ তৌখিবনি।
চোইনা কোর্ট অদুদা মহাক্লা মহাক্কী মচানুপী চুং য়ু রাগীদমক্তা স্পেসল ত্রিটমেন্ট তৌনবা অমুক্তা হায়খিবা লৈতে হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক মরাল লৈতে হায়খি।
তৌইগুম্বসুং জজশিংদুনা চোইবু প্রসিদেন্টগা তীন্নবগী ঈথিল শিজিন্নদুনা মহাক্কী মচানুপীবু স্কুলদুদা তমহনখি অমসুং এটেন্দেন্স রেকোর্দ নেল্লবসু গ্রেদ ৱাংহন্নবা হোৎনখি হায়না মরাল শিখি।
গভর্ণমেন্টনা প্রোব অমা চথুবদা স্কুল অদুনা হেন্না ক্বালিফাইদ ওইবা কেন্দিদেটশিংগী মহুৎতা চুংবু মমিং চলহনখি হায়বসি খঙলকখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা আই সী বি এমদা শীজিন্নগদবা রোকেট এঞ্জিন চাংয়েং তৌখ্রে




ৱাশিংটন, জুন ২৩:
নোর্থ কোরিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা তুংদা ইন্টরকন্টিলন্টেল বালিষ্টিক মিসাইল অমদা শিজিন্নবা য়াগদবা রোকেট এঞ্জিন অমগী অতোপ্পা চাংয়েং অমসু পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা লাক্স ন্যুজনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।
রোইটর্জ ন্যুজ এজেন্সিনসু য়ু এসকী ওফিসল অমা পল্লদুনা মান্নবা পাউ অমা ফোঙলদুনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা চহী অসিদা পাঙথোক্লিবা এঞ্জিন অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিংগী খ্বাইদগী নৌবা ওইরিবা চাংয়েং অদু আই সি বি এম রোকেটকী এঞ্জিন অমগী খ্বাইদগী নেম্বা ষ্টেজ ওইবা য়াই।
য়ু এসকী অতোপ্পা ওফিসল অমনা চাংয়েং অদু কনফার্ম তৌখি, তৌইগুম্বসুং চাংয়েং তৌরিবা রোকেটকী কম্পোনেন্টগী মখলগুম্বা নত্রগা মদু লৈবাক অদুগী আই সি বি এম প্রোগ্রামদা চানগদ্রা হায়বগী অকুপ্পশিংদি পীখিদে হায়না রোইটর্জনা ফোঙদোকখি।
নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসকী মপুংলম য়ৌনা পাইশিনদুনা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙমগদবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই হাপকদবা আই সি বি এম অমা শানবা হোৎনরদুনা ন্যুক্লিয়র চাংয়োংশিং অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিং খোংজেল থুনা পাঙথোরকখি।
হৌখিবা মার্চনা নোর্থ কোরিয়ানা অশানবা বলিষ্টিক মিসাইল অমা শানবগী অনৌবা হায় থ্রট এঞ্জিন অমা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌরে হায়না ক্লেম তৌখি। মতমদুগী এঞ্জিন চাংয়েং অদু নোর্থ কোরিয়াগী অৱাংনোংচুপ লমদমগী টোংচাংরিদা লৈবা সোহে সেটলাইট লোঞ্চিং গ্রাউন্দদগী পাঙথোকখি।
মিলিটরি এক্সপার্টশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী আই সি বি এস কেপেবিলিটি লৈগদবা চহী কয়ামুক ৱাৎখিগনি হায়না থাজরবসু ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল দিফেন্স পোলিসিগী দেপ্যুটি এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স রোবাট সুফরনা থা অসিগী অঙনবদা পিয়োংয়াংনা চৎলিবা ২০১৭ চহী অসিদা লৈবাক অসিগী অহানবা আই সি বি এস চাংয়েং পাঙথোকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়রি।

# অবু বকর অল-বাঘদাদি শিবগী পাউ চপ চানা চুপ্লে হায়না লৌবা য়ারে : রিপোর্ট



মোস্কো, জুন ২৩:
ইস্লামিক ষ্টেট নত্রগা আই এস আই এসকী লিদর অবু বকর অল-বাঘদাদি শিরম্বা য়াবগী চাং চাদা ১০০ নক্লা লৈরে হায়না ইন্টরফেক্সনা ঙসি রসিয়াগী অপ্পর পার্লিয়ামেন্টরি হাউসকী দিফেন্স কম্মিটিগী মকোক্লা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা হায়খ্রে। রসিয়াগী দিফেন্স মিনষ্ট্রিনা চয়োল অমগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা সিরিয়ন সিটি রাক্কাগী চিদাইদা চথুখিবা মখোয়গী এয়রষ্ট্রাইকশিংগী মনুংদা অমনা আই এস আই এসকী সিনিয়র কম্মান্দরশিংগী মীটিন অমদা হিট তৌখিবদা বাঘদাদি শিরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়খিবনি।
তৌইগুম্বুং লমদম অদুদা লালদা শরুক য়ারিবা খুৎলাই পাইবা গ্রুপশিং অমসুং য়ু এসকী ওফিসলশিংনদি মখোয়দা বাঘদাদি শিরে হায়বগী ইভিদেন্স অমৎতা লৈতে হায়রি, লোয়ননা রিজনেল ওফিসল কয়ানসু মোস্কোদগী লাক্লিবা পাউ অসিদা চীংনবা ফোঙদোকখি।
কম্মিটিগী মকোক ভিক্টর ওজেরোভনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা ইন্টরফেক্সনা হায়খি মদুদি, তুংদা অরানবা ওইবা য়াই হায়বগী থাজবা নৎত্রগা চীংনবা লৈরল্লবদি বাঘদাদিনা শিখিবগী পাউ অসি মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙলল্লোই নত্রগা পল্লল্লোই।
মসিগী ইনফোর্মেসন অসি চাদা ১০০ গী ময়াদা চুপ্লে হায়না ঐহাক্লা খল্লি হায়না ইন্টরফেক্সনা ওজেরোভকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি। আই এস আই এসনা মহাকপু মফম অমত্তদা উৎলক্তবসিনশু ঐখোয়না বাঘদাদি শিরে হায়না থাজরিবসি হেন্না চেৎশিনহল্লে।
নোরদর্ন ইরাকপু ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংনা কনত্রোল তৌশিনখিবা মতুং কুমজা ২০১৪ দা মোসুলগী মোস্ক অমদগী মহাক্লা কালিফেট অমা শেল্লে হায়না লাওথোকখিবদগী বাঘদাদি শিরে।
নৎত্রগা শোক্লে হায়বগী পাউ তোইনা ফোঙনদুনা লাকখিবনি। মহাক্ল। শিখি হায়বসি সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা মখোয়না খুদুম চনখিবা অমসুং লেপ্তুনা ময়েং তাশিল্লক্লিবা লমশিং কন্নবা হোৎনরিবা টেররিষ্ট গ্রপু অসিদা পীবা খ্বাইদগী চাওবা চৈথেংশিংগী মনুংদা অমা ওইরগনি।

# প্রাইম মিনিষ্টর মেনা ঈ য়ুগী সিটিজনশিং য়ু কেদা লৈবা য়ানবগী খুদোংচাবা পীখ্রে



লন্দন, জুন ২৩:
ব্রেক্সিটকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে মদুদি য়ুনাইটেদ কিংদমনা ঈ য়ু থাদোক্লবা মতুংদা য়ুনিয়ন অসিগী সিটিজনশিংনা লৈবাক অসিদা লৈনবগী খুদোংচাবা পীরগনি।
হৌখিবা চহীদা য়ু কেগী মীয়াম্না লৈবাক অসিনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী ৱাফম শৌগৎতুনা ভোট পীখিবা মতুংদা য়ু কেনা ঈ য়ু দগী তোক্লবগী নিগোসিয়েসন হৌনবা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর মে অমসুং অতৈ য়ুরোপিয়ন ওফিসলশিংনা বেলজিয়মগী ব্রসেলজদা মীফম পাঙথোক্লি। লিজবন ত্রিটিগী আর্টিকেল ৫০দা মেম্বর লৈবাক অমনা য়ুনিয়ন অসিদগী তোক্লবা ৱারেপ লৌজবা য়াবগী মতাংদা পল্লি।
প্রাইম মিনিষ্টর মেগী মখাদা পুথোক্লিবা বৃটিশ প্রপোজল অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পনদ্রিবা তাংদাংবা কটওফ তারিখ অমগী মনুংদা য়ু কেদা চহী মঙা নত্রগা হেন্না লৈরক্লবা ঈ য়ু গী সিটিজন খুদিংমক্তা লৈবাক অসিদা খুন্দা লৈতোনা লৈবগী ষ্টেটস পীদুনা হেল্থক্যের, ইদ্যুকেসন, ৱেলফ্যের অমসুং পেন্সনগী মতাংদা মখোয়বু বৃটিশ সিটিজনশিংগা চপ মান্নবা রাইটশিং ফংহনগনি।
য়ু কেদা চহী মঙা ফাদনা লৈরকখিবা ঈ য়ুগী সিটিজেশিংসু তুংদা য়ু কেদা অসুম্না লৈনবগী খুদোংচাবা ফংগনি। মখোয়না চহী মঙাগী মার্ক য়ৌরবা মতুংদা রেজিদেন্সি ষ্টেটস তানবা য়াগনি।
য়ু কেগী ফিরেপ অসি ফজবা অমসুং তরাই তরাইদবা ওফর অমনি হায়না ব্রসেলজদা মেনা ঈ য়ুগী লিদরশিংদা হায়খি। মেগী ওফর অসি মথং চয়োলদা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোক্কনি।
হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী অথেঙবদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা জর্মন চান্সল্লর এজেলা মর্কেলনা হায়খি মদুদি, মেগী ঈ য়ুগী সিটিজনশিংদা রাইট কয়া পীবগী প্রপোজল অসি অফবা অহৌবা অমনি তৌইগুম্বসুং অতৈ খন্নগদবা ৱাফম কয়াসু লৈরি।

# আরব লৈবাকশিংনা কটরদা অল-জজীরা থিংজিন্নবা, ইরানগা মরী থম্নদনবা দিমান্দ তৌখ্রে

দুবাই, জুন ২৩: কটরগা মরী তৎনখ্রবা সাউদি আরাবিয়া অমসুং আরাব ষ্টেটশিংনা দিপ্লোমেটিক ক্রাইসিস অদু লোইশিন্নবা অকনবা দিমান্দ ১৩ গী লিষ্ট অমা ইসু তৌখ্রে। লিষ্ট অদুদা পর্সিঅন গল্ফকী য়ুপ্লোন্নবা লৈবাক অদুনা অল জজীরা টেলিভিজন থীংজিনগদবনি, ইরানগা অমুক হন্না দিপ্লোমেটিক মরী তৎনগদবনি অমসুং মুস্লিম ব্রদরহুদকা মরী অমৎতা লৈনরোইদবনি হায়বা দিমান্দশিং য়াওরি।
ক্রাইসিস অদুবু ৱাতেম্নদুনা লোইশিন্নবা হোৎনরিবা কুৱেটনা কটরদা পীশিনখিবা আরাবিক লোলদা ইবা দিমান্দশিংগী লিষ্ট অদুনা কটরদা লৈবা টর্কিগী মিলিটরি বেজ থীংজিন্নবসু দিমান্দ তৌখি।
কটরনা মুস্লিম ব্রদরহুদ, ইস্লামিক ষ্টেট, অল-কাইদা, হেজবোলাহ অমসুং সিরিয়াদা লৈবা হান্নগী অল কাইদাগী ব্রাঞ্চ অমা ওইরিবা জাভট ফাতেহ বল শাম য়াওনা টেররিষ্ট আইদিওলোজিকেল অমসুং সেক্তেরিঅন ওর্গনাইজেসনশিং অসিগা মরী তৎনরগনি হায়নসু লাওথোক্কদবনি অমসুং লৈবাক অসিদা লৈরিবা দেজিগনেটেদ টেররিষ্ট পুন্নমকসু সরেন্দর তৌগদবনি হায়রি।
অকনবা দিমান্দশিংগী লিষ্ট অদু হৌখিবা জুন ৫ দা দোহাগা শেল-থুম, দিপ্লোমেটিক অমসু ত্রাভেলগী মরীশিং থদৎখিবা সাউদি আরাবিয়া, য়ুনাইটেদ আরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ), ইজিপ্ট অমসুং বেহরেননা কম্পাইল তৌখিবনি।
লৈবাকশিং অসিনা দিমান্দশিং অদু ঙাক্লবগী দোহাদা নুমিৎ ১৩ নিগী মতম পীখ্রে অমসুং করিগুম্বা দিমান্দশিংদু থবক্তা ওন্থোক্তবা তারবদি লিষ্ট অদু মখা তানা চৎনররোই হায়না এদিসল অমনা মখা তানা অকুপ্পশিং ফোঙদোক্তে হায়খি।
ইরানগী মতাংদা ৱারী শানবগী ৱাফম শৌগৎপা অমসুং ইস্লামিক গ্রুপশিং মরু ওইনা মুস্লিম ব্রদরহুদ শৌগৎপা য়াওনা দোহানা মনিং তম্না থাংলকপা খোঙথাংশিংনা পোলিটিকেল ইস্লামিজম্বু মখোয়গী দাইনাষ্টিক লৈঙাক্তা অকিবা চাওনা পোকহল্লি হায়না লৌরিবা য়ুপ্লোন্নবা লৈবাকশিংবু খোইরাং খোইশাওহনখি।
কটরদা টর্কিগী মিলিটরি বেজ থম্বা লোইশিনহন্নবগী ৱাফম টর্কিগী দিফেন্স মিনিষ্টর ফিকরি ইসিকনা কন্না য়ানিংবা ফোঙদোকখি অমসুং মিলিটরি বেজ থীংজিন্নবা দিমান্দ তৌরকপা খুদিংমক অঙ্করোগা দোহগা লৈনরিবা মরীদা খুৎ থিংজিনবনি হায়না লৌগনি হায়খি। মদুগী মহুৎতা মহাক্লা কটরদা লৈরিবা মিলিটরি বেজ অদু মহাক্কী লৈবাক্লা মপাঙ্গল হেনগৎহনবা য়াই হায়বগী সজেসন পীখি।



HL-B/3834/27/04-27/05

## EMPLOYMENT NEWS

**Join Indian Army Recruitment – Soldier Technical, Soldier Nursing Assistant & Various Vacancy Last Date 18 July 2017**

**Join Indian Army Recruitment 2017**

Indian Army Invites applications for the post of Soldier Technical, Soldier Nursing Assistant & Various Vacancy. Apply Online before 17 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Indian Army Job Details :**

**Post Name :** Soldier Technical

**No. of Vacancy :** Not Specified

**Pay Scale :** Rs. 25000/- (Per Month)

**Post Name :** Soldier Nursing Assistant

**No. of Vacancy :** Not Specified

**Pay Scale :** Rs. 25000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for Indian Army Recruitment :**

**Educational Qualification:**

**For Soldier Technical :** 10+2 Examination pass in Science with Physics, Chemistry, Maths, and English with 50% marks or in aggregate and 40% marks in each subject.

**For Soldier Nursing Assistant :** 10+2 pass in Science with Physics, Chemistry, Biology and English with 40% marks in compulsory subjects and 50% marks in aggregate.

**Age Limit :** Maximum and Maximum age limit is 17 years 06 months to 23 years (as 01.10.2017)

**Job Location :** Tiruchirappalli (Tamil Nadu)

**Selection Process :** Selection will be based on Physical Fitness Test, Physical Measurement Test, Medical and Common Entrance Examination.

**Application Fee :** There is no application fee.

How to Apply Indian Army Vacancy : Interested Candidates may apply Online through the website www.joinindianarmy.nic.in form 16.05.2017 to 14.06.2017 thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date for Submission of Online Application:** 18.06.2017

**Last Date for Submission of Online Application:** 18.07.2017

**Important Links :**

Details Advertisement & Application form Link : http://joinindianarmy.nic.in/writereaddata/Portal/Images/pdf/THANJAVUR_RALLY_02_TO_10_AUG_2017_NOTIFICATION_14_jun.pdf

**AIIMS Raipur Recruitment – All India Institute of Medical Sciences – 475 Nursing Sisters & Staff Nurse Vacancy – Last Date 31 July 2017**

**AIIMS Raipur Recruitment 2017**

All India Institute of Medical Sciences (AIIMS), Raipur invites application for the post of 475 Nursing Sisters & Staff Nurse on direct recruitment basis. Apply Online before 31 July 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Advt No. :** Admin/Rec./Regular/SN-I & SN-II/2017/AIIMS.RPR

**AIIMS Raipur Job Details :**

**Post Name :** Staff Nurse Grade-I (Nursing Sisters)

**No of Vacancy :** 75 Posts (UR-39, OBC- 20, SC-11, ST-5)

**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4800/-

**Post Name :** Staff Nurse Grade-II (Sister Grade-II)

**No of Vacancy :** 400 Posts (UR-205, OBC-106, SC-60, ST-29)

**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-

**Grade Pay :** Rs. 4600/-

**Eligibility Criteria for AIIMS Raipur Recruitment :**

**Educational Qualification :**

**For Nursing Sisters :** B.Sc. (Nursing) (4 year course) from a recognized Institute/ University OR B.Sc.(Post-certificate) or equivalent such as B.Sc. Nursing (Post-basic) (2 year course) from a recognised Institute/University and Should be registered with the Indian Nursing Council/ State Nursing Council and Three years of experience as Staff Nurse Grade – II in a minimum 100 bedded hospital/ healthcare Institute.

**For Staff Nurse Grade-II :** B.Sc. (Nursing) (4 year course) from a recognized Institute/ University OR B.Sc.(Post-certificate) or equivalent such as B.Sc. Nursing (Post-basic) (2 year course) from a recognised Institute/University and Should be registered with the Indian Nursing Council/ State Nursing Council.

**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 21 to 35 years & 21 to 30 years for Staff Nurse as on 31.07.2017

**Job Location :** Raipur (Chhattisgarh)

**Selection Process :** Selection will be based on Computer Based Examination.

**Application Fee :** Candidates belonging to General / OBC category have to pay Rs. 1000/- through Credit Card, Debit Card or Net banking. No fee for SC/ST/PWD Category.

**How to Apply AIIMS Raipur Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.aiimsraipur.edu.in form 15.06.2017 to 31.07.2017.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date for Submission of Online Application form :** 15.06.2017
**Last Date for Submission of Online Application form :** 31.07.2017

**Important Links :**

**Detail Advertisement Link :**
http://www.aiimsraipur.edu.in/upload/vacancies/594256a8059c3_Staff%20Nurse%20advt%20(1).pdf

**Apply Online :** http://aiimsraipur.cbtexam.in/Home/ListofExam.aspx